**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 25-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কোকোমিগী মখাদা ঙসি রাজ ভবন তমা চংশিনখিবা খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তানখায়বদা মৈরা পায়বীশিং অশোক অপন নংখে।

২) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)দা ৱারী শান্নবা বার্তন তৌরকখ্রে।

৩) মণিপুরগী মফম কয়াদা ঙসি অকনবা নোং চুবদগী অকুৎপা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে।

লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদসু রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুরনা মালেম পুম্বনা তেরোরিজম থেংনবদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরে।

অমসুং

৫) এন.দি.এনা সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং উপ মুখ্যশিংগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

------

খোঙজং (এল)ঃ কোকোমিগী মখাদা ঙসি রাজ ভবন তমা চংশিনখিবা খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তানখায়বদা মৈরা পায়বীশিং অশোক অপন নংখ্রে। খোঙজং অদু শিরুই রিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎপদা ইম্ফাল ইষ্টকী থ্বাতাবীদা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট (এম.এস.টি)দা মণিপুর হায়না থারিবা অদু লৌথোকউ হায়বা সেক্যুরিতি ফোর্সকী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লুপ অসিগী থৌমীশিং অমদি মীয়ামা চংশিনখিবনি। মীয়ামগী ইহৌ অদু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। রাজ ভবনগী অকোইবগী লম্বীশিং থিংজিনখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা সিতি কনভেন্সন সেন্তর মমাংদা লৈদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদগী লাকপা মীয়াম্বু থিংনবা হোৎনখি।

মিতিং (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)দা ৱারী শান্নবা বার্তন তৌরকখ্রে। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ২৭ তা নিউ দিল্লিদা কোকোমিগী কনভেনরনা লুচিংবা মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা গৃহ মন্ত্রালয়গী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মরুওইনা হন্দক ইম্ফাল ইষ্টকী থ্বালতাবীদা থা অসিগী ২০ দা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা খন্নগনি।

ৱাকৎ (এল) ঃ অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাংলুপ (অমিক)না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুদা থা অসিগী ২০ দা থ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

কনভেন্সন (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী কিষান কংগ্রেস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী লৌমীশিংগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং জিরিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ওল ইন্দিয়া কিষান কংগ্রেসকী চেয়ারমেন শুখপাল সিংহনা লৌমীশিংনা মায়োকরিবা অৱাবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা খনগৎলবা লৌমীশিংদা কিষান ন্যায় সার্তিফিকেট অমদি হারনচিংবসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী এম.পি. ডাঃ টি. মৈন্য, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনচিংবসু শরুক য়াখি।

এমপিপি (এল)ঃ মণিপুর পিপলস পার্তি য়ুথ ফ্রন্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা পোলিতিকেল এৱারনেস অমদি মরু মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং লাংজিং তনিং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। লৌমীশিংনা পোত্থোক হেন্না পুথোক্কুনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা লৌমী ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

হোম গার্দ (এল)ঃ হোম গার্দকী বত্তাল্লিয়নশিংগী ওইবা অহুমসু মীফম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ফিসরিজগী গেট মনাক্তা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হোম গার্দকী অহানবা বত্তাল্লিয়ন (হেদক্কাটর)গী মীওইশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অহুমসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা- সুপ্রিম কোর্টকী রাই মতুংইন্না পুলিস কন্সটেবলশিংগা চান্নবা মওংদা দ্যুতি এল্লাৱেন্স হেনগৎহনবা, রেসন মনি এল্লাৱেন্স পীবা, দ্যুতি এল্লাৱেন্স মতম চানা ফংহনবা অমদি মণিপুরগী হোম গার্দকী ফুল টাইম কম্মান্দেন্ট জেনেরেল থম্বনচিংবা য়াওরি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ ক্লিন এন্দ গ্রিন ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা থিমদা ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী ওইবা খুদক্তা লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা পাঙথোকখ্রে। থা অমা চুপা চত্থরকপা অকোইবগী ফিভম কনবগী কেম্পেনগী

শরুক অমা রোয়েল রাইদরস মণিপুরনা শিন্দুনা কাংলুপ অনি থোকা খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদুদা মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

নোং (এল) ঃ মণিপুরদা ঙসি মফম কয়াদা অকনবা নোং চুখ্রে। ইম্ফালগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনদুনা মীয়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরে। লম্বী শোরোক্কী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনবদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্লে।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেসন সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলা কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ্তুগী হৌরগা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুরনা মালেম পুম্বনা তেরোরিজম থেংনবদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরে।

আকাশবনিদা শন্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা ওপরেসন সিন্দুরদা লান্মীনা উৎখিবা থৌনা লিংজেল অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- লৈবাক পুম্বনা ঙসিদি তেরোরিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা মসি লোইশিন্নবা হোৎনরি।

শ্রী মোদিনা হায়- ওপরেসন সিন্দুর অসি লান্মীগী ওইবা মীসন অমখক নত্তে, মসিদি লৈবাক্কী ওইবা থৌনা অমসুং ফিরেপ অদু উৎপনি। মসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোনসু শাগৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী লান্মীশিংনা অচেৎপা ফিরেপ অমদি থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা শাজবা খুৎশু খুৎলায় অমদি টেকোলোজি শিজিন্নদুনা তেরোরিষ্টশিংগী মফম কয়া মাংহন তাকহনখি। মসিনা আত্মা নিরভর

ভারতকী ৱারেপ অদুবুসু হেন্না মপুং ফাহল্লি।

হন্দক্তা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা রাইজিং নোর্থ ইষ্ট সম্মিৎকী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম অসি পুমমক্তগী থোইদোক হেন্দোকপা লমদম অমনি। ক্রাফতেদ ফাইবরসকী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মসিমক সিক্কিমগী মহৌশাদগী লৈজরকপা ৱেভিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমসুং ফেসন অনিগী অপুনবা শক্তম অমনি।

দ্রোন দিদিশিং অসি দ্রোন ওপরেতর হায়রম্বদগী হৌজিক্তি স্কাই ৱারিয়রস হায়না খঙনরে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি। মথং থাগী ২১ দা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন তৌগদৌরিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা ষ্টার্টঅপ খরনদি হৌজিক ওফিসতা যোগগী মতম থমরে। খুঙ্গং খুঙ্গংদা চত্তুনা মীয়ামদা যোগ তম্বীবা মীওই কয়াসু থোরক্লে। মীয়ামা হকচাং ফনা অমসুং নাদ-য়েক্তনা লৈনবা হোৎনবদা যোগগী কান্নবদু খঙনরকপা অসিদসু প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱেষ্ট পেপর অমসুং রিসাইক্লিংগী মতাংদসু পনখি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী অমোৎ অকায়শিংগী শরুক মরি থোকপগী অমরোমদি পেপর ৱেষ্টশিং অসিনা ওইরি। পেপর রিসাইক্লিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী ষ্টার্টঅপ কয়ানা থবক পায়খৎলি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

স্কুল খরদা ব্লোক বোর্দকী মহুৎতা সুগর বোর্দ ওইনা শিজিন্নবগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- সি.বি.এস.ইগী অসিগুম্বা থৌরাং অসিগী পান্দমদি মখোয়না চিনি চাবগী চাং খঙদোকবনি। থা অসিগী ২০ দা পাঙথোকখিবা মালেমগী হয়িং খোই নুমিৎকী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা খোইহি পুথোকপগী চাং চাদা ৬০ হেনগৎলে। মহাকা হায়-খোইহি পুথোকপনা ঐখোয়গী হকচাং ফনা থম্বতা নত্তনা শেল থুমগী লমদা মীপাল তাংদবসু ঙমহল্লি।

থিয়েটর (এল)ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা চীফ মিনিষ্টিরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল ওফ আর্ট এন্দ

কলচরেল এক্সপ্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়ামদা পিপলস আর্টস এন্দ ড্রামাতিক এসোসিয়েসনগী ড্রামা খোইরেন্তাক উৎখ্রে।

মেলা (এল)ঃ ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিনা শিন্দুনা মন্দলে ইন ইম্ফাল হায়না মীংথোনবা আর্ট একজিবিসন অমা ঙসি ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা গেল্লেরি অসিগী একজিবিসন হোলদা হৌদোকখ্রে। মন্দলে আর্ট ক্লবকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা আর্ট একজিবিসন অদুদা মন্দলে আর্ট ক্লবকী মীওইশিংনা য়েকপা লাই ৪৬ উৎলি। একজিবিসন অসি হন্দক ম্যান্মারদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অদুদা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

সম্মেলন (এল)ঃ বরাক মণিপুর ফ্রেন্দসিপ এসোসিয়েসন অমদি শ্রীমদ জগৎ গুরু সরদা সরভাগ্য পিথমগা খুৎশমদুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা সনাতন সম্মেলন পাঙথোকখ্রে। সেম্মলন অসিগী হিরমদি- শান্তি, চাওখৎপা অমদি মাংজিল থানা চৎপা হায়বসিনি।

মীফম ঃ নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ)না সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং উপ মুখ্যশিংগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা অফবা লৈঙাক সাসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নরি। মীফম অদুদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহসু শরুক য়াখি।

এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রি ২০ অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি ১৮ না শরুক য়ারিবা মীফম অসিগী শরুক অমা ওইনা লাক্কদৌরিবা এন.দি.এ সরকারগী অহুমসুবা টার্মগী চহি অমা মপুং ফারকপগী কুমওন থৌরম, মালেমগী

যোগ নুমিৎ পালন্না চহি ১০ মপুং ফারকপনচিংবগা মরী লৈনবা ব্রাফম কয়াসু খন্নখি।

ভিজিটঃ রাজনীতি দল পুমমক্কী ওইবা মীহুৎ কাংবুশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎতুনা ভারতনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ য়ুংনা লেপলি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি।

কংগ্রেসকী সাসি থারুনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা আমেরিকাদা পহলগাম টেরর এটেক্কী মতুংদা তেরোরিষ্টশিংগী লৈফম, হেদক্বাটরস অমদি পাকিস্তানদা লৈবা লোঞ্চ পেদশিং মাংহন তাকহনখিবা অমদি থুগাইখিবা কয়া অদুগী মতাংদা পাউদমখি।

জে.দি.য়ুগী এম.পি. সঞ্জয় ঝানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু হৌজিক খা কোরিয়াদা লৈরি। অদুগা

শিব সেনাগী এম.পি. শ্রীকান্ট সিন্দেনা য়ুনাইতেদ আরব ইম্মরেটসকী খোঙচৎ লোইরবা মতুং দেমোক্রেতিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোদা থুংখ্রে।

দি.এম.কেগী এম.পি. কানিমোজিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুনা রাসিয়া খোঙচৎ মায় পাকা লোইশিনখ্রবা তুংদা স্লোভেনিয়গীদমক খোঙশানখ্রে।

বি.জে.পি এম.পি- রবি শঙ্করনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ফ্রান্স, য়ু.কে, জরমনি, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন, ইটলি অমসুং দেনমার্ককীদমক ঙসি ভারত থাদোকখ্রে।

ইসি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না গুজরাত, কেরলা, পঞ্জাব অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মঙাগী মরক্কী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে। মসিগী মতাংদা হয়েং নোতিফিকেসন থোক্কনি অমসুং মথং থাগী ২ ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। মথং নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ জ়ুন ৫ নি, অদুগা মীখলগী ভোৎনা জ়ুন ১৯ দা থাদনগনি। ভোৎ মশিং জ়ুন ২৩ দা থিগনি।

মীতিং ঃ স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রালয়না সেন্ত্রেল এপরেন্টিষ্টসিপ কাউন্সিল (সি.এ.সি)গী ৩৮ শুবা মীফম হয়েং নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা কৌরি।

চেরোল অমদা মন্ত্রালয়না হায়- স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রি জয়েন্ট চৌধরিনা সভাপতি ওইদুনা মমাং চহিগী ওক্তোবরদা অমুক হন্না শেমখিবা কাউন্সিল অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা এপরেন্টিষ্টসিপ ত্রেনিং পীবগা মরী লৈনবা সরকারগী মরুওইবা থৌশিলশিংদা লমজিং লমতাকপদা চাউনা থৌদাং লৌরি। মীফম অসিগী মাংওইননা শ্রী চৌধরিনা হায়- এপরেন্টিষ্টসিপকী তুংগী মরাইবক শিক্ষা,
মীফম অসিদা দিজিতেল অমসুং ভারচুয়েল ওইনা এপরেন্টিষ্টসিপ ফংহনবা য়াওনা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ ৬৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্তরনেসনেল সুব্রোতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন বোইজ তুরনামেন্ট ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ঙসি লমজাউ প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা গ্রিন গ্রাউন্দ একাদমিনা ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা- মার্তিন গ্রামার স্কুলনা য়ুরেকা একাদমি থৌনাউজমবু পাঞ্জল ২-১ দা, পি.আর. ইংলিস স্কুলনা ভিক্তরি ইংলিস স্কুল ককচিংবু পাঞ্জল ৩-০ দা, ককচিং মোদেল হাইস্কুলনা এলাং কন্যা হাইস্কুলবু পাঞ্জল ৬-৫ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- মেম্মা এফ.সি তেরাখোংনা ইমোইনু এফ.সি কুম্বিবু পাঞ্জল ৬-৪ দা, ৱাংঙু শাবল এফ.সিনা এল.ৱাই.এফ.সি ৱাংঙুবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বোক্সিং (এল)ঃ  মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মঙাসুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসি ৱাংজিং হৈতুপপোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহেশ বোক্সিং একাদমিদা হৌখ্রে। পুন্না শান্নরোই ৯৫ না কেটাগোরি ৫ দা অথোই অহেন তান্নগনি।

------